# রোনাল্ডোনা ইন্টরনেসনল ফুটবোলদা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা শান্নরোয় ওইখ্রে



লিজবোন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): কটারদা ২০২২দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুরোপকী ক্বালিফায়িংগী গ্রুপ এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা পোর্টুগালনা রিপব্লিক ওফ অয়রলেন্দ ২-১দা থোইখিবদা রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা পূন্না মহাক্কী করিয়রগী ইন্টরনেসনল পাঞ্জল ১১১ চনবা ঙমদুনা মালেমদা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখ্রে।

মমাংদা ইরানগী ষ্ট্রাইকর অলি দায়িনা পাঞ্জল ১০৯ চন্দুনা রেকোর্দ থম্লম্বনি। ঙরাংগী মেটচ অদুদা রোনাল্ডোনা রিপব্লিক ওফ অয়রলেন্দগা শান্নবা মেটচ অদুগী ৮৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর চল্লগা ইরানগী অলি দায়িগী স্কোর ১০৯দগী অমা হেনগৎপা ঙমখি। মদুগী মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা মহাক্কী ১১১শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নুপাগী ইন্টরনেসনল ফুটবোলদা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইখি। অদুবু কানাদাগী নুপীগী শান্নরোয় খৃষ্টিন সিনক্লারনা মমাং থাগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা পূন্না ইন্টরনেসনল পাঞ্জল ১৮৭ চন্দুনা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থম্বা ঙম্লি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা রিপব্লিক ওফ অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী জোন ইগাননা ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা পোর্টুগালবু মাঙজিল থাখিবনি। অদুগা মেটচ লোইরমদাইদা রোনাল্ডোগী পাঞ্জল ২না মেটচ অদু পোর্টুগালনা ২-১দা থোইদুনা গ্রুপ এদা মেটচ ৪ শান্নবদা পোইন্ট ১০ ফংলগা মাঙজিল থারগা লৈরি।

য়ুরোপিয়ন ক্বালিফিকেসনগী ওইনা গ্রুপ দিদা ঙরাং ফ্রান্স অমসুং বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোবিনা পাঞ্জল অমমম্‌চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোবিনাগী ইদিন জেকোনা টিমমেট অর্মেদিন দেমিরোবিচকী বোলদা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা চনখিবনি। অদুবু ফ্রান্সকী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা এন্টোইন গ্রিজমাননা মেটচকী ৪০ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মখা তাবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী ১-১দা দ্রো চৎতুনা ফ্রান্স গ্রুপ অদুগী ওইনা পোইন্ট ৮ ফংলগা মাঙজিল থারি।

# ইন্দিয়াগী প্রমোদ ভগট পেরালিম্পিক্সকী বেদমিন্টনদা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা প্রমোদ ভগটনা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইরিবা প্রমোদ ভগটনা নুপাগী সিঙ্গলসকী এস এল ৩ কেটগোরিদা গ্রুপ এগী ওইনা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় ওলেক্সান্দর চিরকোবকা লম্বা তৌনবদা শুপ্নগী মিনট ২৬তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১২, ২১-১৯দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

বেদমিন্টন ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়নশিং অসিগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্লি। অতোপ্পা নুপাগী ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুহাজ য়াথিরাজ, তরুন ধিলোন অমসুং কৃষ্ণ নগরসু মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙম্লি। সুহাজনা এস এল ৪ কেটগোরিগী ওইনা জর্মনিগী জান নিক্লাসপু মায়থীবা পীখি। অদুগা তরুননা থাইলেন্দগী সিরিপোং টিমারুমবু থোইখি। অদুগা এস ঐচ ৬কী কেটগোরিদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দয়াগী কৃষ্ণ নগরনা মলেসিয়াগী টারেসো দিদিনবু থোইখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী গ্রুপ এদা ইন্দিয়াগী পলক পোলিনা এস য়ু ৫ মহাক্কী গ্রুপ এগী অনীশুবা মেটচ অদুদা টর্কিগী জেহরা বগ্লারবু ২১-১২, ২১-১৮দা থোইখিবনি। অদুগা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা পলক পোলিনা জপানগী অয়াকো সুজুকিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। অমরোমদা, পলকনা প্রমোদ ভগটতা এস এল ৩-এস য়ু ৫ কেটগোরিদা হয়েং মিক্স দবলসকী ওইনা থাইলেন্দগী সিরিপোং টিমারুম অমসুং নিপাদা সেনচুপাগা মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা শান্নগদৌরি।

নুপীগী কে ৪৪ কেটগোরিগী কিলোগ্রাম ৪৯গী টাইক্বোন্দো কম্পিটিসনদা ঙসি ইন্দিয়াগী অরুনা টনৱর ক্বার্টর ফাইনেলদা পেরুগী লিওনোর করাঞ্জাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# নেপালগা শান্নবা ফ্রেন্দলিদা অনিরুদ থাপানা ইন্দিয়া ১-১দা দ্রো চৎহনখ্রে




কাথমান্দু, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা ঙসি নেপালগা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীগী মনুংদা অহানবা অদু লম্বা তৌনরকপদা অনিরুদ থাপানা অনীশুবা হাফতা ইক্বেলাইজর চল্লগা ইন্দিয়া নেপালগা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

কাথমান্দুদা লৈবা দশরথ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী পুংখায় লানশিল্লক্লবা ৩৬ শুরকপা মিনটতা ইন্দিয়াগী দিফেন্সকী অশোয়বা অমদা নেপালগী অঞ্জন বিষ্টানা খূদোংচাবা লৌদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী দিফেন্দর চিংলেনসনানা মহাক্কী গোলকিপর গুরপ্রিট সিংহ সানধুদা বেকপাস পীরকপা বোল অদু সানধুনা ফীভম শেমদ্রিঙৈদা অঞ্জন বিষ্টানা চেনশিল্লগা কাওশিনখিদুনা মখোয়গী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখিবনি।

ফ্রেন্দলি মেটচ ওইরবসু পাঞ্জল ১ শোথরবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা ইক্বেলাইজর ফংননবা হোৎনরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৯গী লেমহৌবা মতম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা ফংদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

নেপালগী টিম অসিনা মখোয়না য়ুম্বু ওইরগা শান্নখিবা হৌখিবা ইন্টরনেসনল মেটচ ৬কী মনুংদা অমখক মায় পাক্লগা অতোপ্পা মঙা মায়থীবা নংখিবনি। মখোয়না চাইনিজ টাইপৈবু থোইবা ঙমখি। অদুবু মালদিভস, টাজিকিস্টান, কুৱেট, জোর্দান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ২০ লোমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা য়াম্না চুশিন্নবা মওংদা শান্নদুনা নেপালবু মখোয়না দোমিনেট তৌবা ঙমখি। শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা বোল অমা নেপালগী দিবোক্স য়ৌগদবা খরা ৱাৎলিঙৈদগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা য়াম্না শাফূকনবা শোট অমা কাওশিনখিবদা নেপালগী গোলকিপরদগী থক্তোরকপা বোল অদু সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা অনিরুদ থাপানা খোঙজেল য়াঙনা চেনশিন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা শান্নরোয় অনৌবা কয়া শিন্দোক্তুনা অহেনবা পাঞ্জল চন্ননবা হোৎনখিবশিং কান্নবা ফংদনা ১-১দা দ্রো চৎখি। অনীশুবা মেটচ নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নগনি।

# ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড নম্বর ফোর ইজিপ্টপু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ইরাননা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ইন্টরনেসনল ভোলিবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ৱর্ল্ড ভোলিবোল চেম্পিয়নশিপকী ক্লাসিফিকেসন মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরিবা ইজিপ্টপু মায়থীবা পীদুনা ফজবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ১৪দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ইজিপ্টকা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু পুং ১.১২ চঙনা শান্নখি। মেটচ অদু পোজিসন ৯শুবদগীনা ১২ শুবা ফাওবগী মনুংদা লৈননবা শান্নখিবনি। অহৌবা সেট অনী ইজিপ্টনা ইন্দিয়াবু ২৫-১৬, ২৭-২৫দা থোইরগা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা সেট অদুসু পোইন্ট ২৩-২৪দা শোথদুনা মায়থীবগী লম্বেল নকশিনখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা হেনগৎলক্তুনা অহুমশুবা সেট অদু ২৮-২৬তা থোইরবা মতুং মরিশুবা সেট অদুসু ২৫-১৬তা থোইদুনা টাই ব্রেক শান্নরকপদা ইন্দিয়ানা ১৫-১২দা থোইদুনা মখোয়দগী থাক ৪৫ হেন্দুনা লৈরিবা ইজিপ্টপু মায়থীবা পীখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অজয়না পোইন্ট ৩০ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

মায় পাকপা অসিনা ইন্দিয়ানা টেহরানদা লৈবা অজাদি ষ্টেদিয়মদা ৯শুবা পোজিসন ফংননবা ৱর্ল্ড নম্বর ৮দা লৈরিবা চেক রিপব্লিকক্কা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনরগনি।

# য়ু এস ওপনগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিং মায় পাকপা ঙমদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্নখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা নুপা অমসুং নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিং অনীশুবা রাউন্দলাম্বোক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্নখ্রে।

নুপাগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা জর্মনিগী শান্নরোয় দোমিনিক কিফরবু ৬-৪, ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসনা ফ্রান্সকী এদ্রিয়ান মানারিনোবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৭ (৪-৭), ৬-০দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী পেদ্রো মার্টিনেজপু ৭-৬ (৭-২), ৬-৭ (৫-৭), ৬-১, ৬-১দা থোইবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা নম্বর থ্রী শান্নরোয় ওইরিবী জপানগী টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহীগীসু চেম্পিয়ন ওইরিবী নাওমী ওসাকানা সর্ভিয়াগী ওলগা দানিলোবিচকা শান্নগদবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু ওলগা মশা ঙম্লক্তবদগী ৱিদ্রো তৌখিদুনা ওসাকানা ৱাক ওভর ফংলগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। নুপীগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী টামারা জিদানসেকপু ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী দি কোলিন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

মঙাশুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী আর মাসারোভাবু ৬-২, ৭-৫দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী দি কাসাটকিনাগা লম্বা তৌনরগনি। মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী ক্রিষ্টিনা কোকোভাবু ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দা কজখষ্টানগী রাই বাকিনাগা থেংনরগনি। নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা অমসুং য়ুক্রেনগী বোন্দা রেনকো অহানবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী জুরাক অমসুং স্লোভেনিয়াগী ক্লেপার্ককী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# ঐবু লায়না লৌগনু হায়না রিতু ফোগটনা মেং বোদা ৱার্নিং পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): হরয়ানাদা মমাংদা রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরম্বদগী মিক্স মার্সিএল আর্টতা মায় ওনশিনখ্রবা রিতু ফোগটনা মহাক্কী লাক্কদৌরিবা ফাইটতা লম্বা ওইরিবী চাইনাগী মেং বোদা মহাকপু লায়না লৌগনু হায়না ৱার্নিং পীখ্রে।

সিঙ্গাপোর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান ৱিমেন্স এটোম ৱেথ ৱর্ল্ড গ্রান্দ প্রি মিক্স মার্সিএল আর্ট কম্পিটিসন অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা হয়েং মশাগী চহী ২৭ শুরবী রিতু ফোগটনা চাইনাগী মেং বোগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াই, জুলাই থাদা রিতু ফোগটনা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় লিন হেকিনবু মায়থীবা পীখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোরকখিবদা, শরুক য়াখিবা বাউট খূদিংমক মহাক্কী মরুওইবা পারা কয়া লৌশিনবা ঙমখি হায়রি। রিতু ফোগটকী লম্বা ওইগদৌরিবী চাইনাগী মেং বো ৱান চেম্পিয়নশিপকী এটোম ৱেথতা ৱর্ল্ড নম্বর ২ রেঙ্কতা লৈরিবনি। চাইনাগী মার্সিএল আর্টিষ্ট অসিনা হৌখিবা বাউট ৬ শান্নরকপদা ৬মক মায় পাক্তুনা লাক্লি। করিগুম্বা হয়েংগী বাউট অসিদা রিতু ফোগটনা মায় পাকপা ঙম্লবদি গ্রান্দ প্রি অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। 'ইন্দিয়ন টাইগ্রেস' হায়না খঙনবী ফোগটনা টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন ওইননবা মেটচ ৩ মায় পাকপা তারি।

# ফিলিপসপু প্লেয়র ওফ দি ইয়র খনখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টিম অমা ওইরিবা লীদস য়ুনাইটেদকী মিদ ফিল্ডর কালভিন ফিলিপসপু ভাবোকশিংনা খনবা ইংলেন্দগী মেন্স সিনিয়র প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মিংথোল ফংখ্রে। মশাগী চহী ২৫ শুরবা কালভিন ফিলিপসকী ফজবা মশান্ননা মমাংগী সিজনদা লীদস য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবসু ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৯শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমহনখিবনি।

# মনিকা অমসুং সাথিয়ান সেলেক্সন ফংদবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয় মনিকা বট্রা অমসুং গনসেখরন সাথিয়ান ঙসিদগী সোনিপট সিটিদা হৌখিবা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পাঙথোকপা নেসনল কেম্পতা শরুক য়াদবদগী নেসনল টিম সেলেক্সন ফংদবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

মনিকা বট্রানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না হৌজিক-হৌজিক পুনেদা চথরিবা মহাক্কী ট্রেনিং অদুদা অদুম্মক চথবা পামখিবনি। অদুগা সাথিয়াননা পোলেন্দদা পোলিশ লীগ টুর্নামেন্ট শরুক য়ারিবা অমদি ট্রেনিং চথবা অদুদা মখা চথখিগনি হায়রকখি। মখোয় অনীগী মায়কৈদগী কেম্প অদুদগী কোমথোকপীননবা হায়বা লৈখ্রবনি। অদুবু ফেদরেসনগী অনৌবা কাঙলোননা কেম্প য়াওদবশিং সেলেক্সন পীরোই হায়রি।

# প্রো কবাদ্দি লীগ সিজন ৮ হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা প্রো কবাদ্দি লীগকী সিজন ৮লক শুবা অদু চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদগী হৌরগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লীগ অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা শান্নরোয় ১৯০ রোম লুপা ক্রোর ৪৮.২২দা য়োনখ্রে হায়রি। নুমীৎ হুম্নি চঙনা পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিংগী ওক্সন অদুদা পর্দিপ নরৱালবু য়ু পি য়োধানা লুপা ক্রোর ১.৬৫দা লৈখিবা অদুনা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোয় ওইরি। অদুগা টেলুগু টাইটনকী শান্নরোয় সিধার্দ দেসাই লুপা ক্রোর ১.৩দা টিম অদুনা অদুম্মক থম্লি। অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা রাহুল চৌধরিনা পুনেরি পলটনদা লুপা লাখ ৯২দা য়াওখি। জয়পুর পিঙ্ক পেন্থরসনা অর্জুন দেশৱালবু লুপা লাখ ৯৬তা লৈখি।

ওর্গনাইজরশিংনা শীনখিবা ওক্সন অদুদা অনৌবা শান্নরোয় ১০ খনগৎতুনা সিনিয়র শান্নরোয়শিংগা পূন্না লম্বা তৌনগদৌরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 218**

GM Lagarde, Maxime (2631) - GM Nguyen, Thai Dai Van (2588)
21st ch-EUR Indiv 2021 Reykjavik ISL, 2021.08.29

| | | |
|---|---|---|
| 1.c4 c5 | 2.Nc3 Nc6 | 3.g3 g6 |
| 4.Bg2 Bg7 | 5.d3 d6 | 6.e3 e6 |
| 7.Nge2 Nge7 | 8.O-O O-O | 9.b3 b6 |
| 10.Ba3 Bb7 | 11.d4 Re8 | 12.Qd2 cxd4 |
| 13.Nxd4 d5 | 14.Nxc6 Bxc6 | 15.Rfd1 dxc4 |
| 16.Qe2 Qc8 | 17.Bxc6 Qxc6 | 18.Rac1 Nd5 |
| 19.Qf3 Rac8 | 20.Ne4 Nc3 | 21.Rxc3 Bxc3 |
| 22.Rd6 Qa8 | 23.Qf4 Bg7 | 24.Rd7... |

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 217 Ans. :**
24. ...Rc2 25. Qxh7+ The white queen decoys Black's king. Kxh7 26. Rh4+ Kg8 27. Rh8# Backrank mate Mayet's mate
25. Qxh7+






## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### মীওইবনা ৱারিঙৈ মতমদা পাংবা মতেংদগী হেন্না চাওবা মহয় লৈতে হায়নবা চুমগনি



হরাউ কুম্মৈ কয়াদা থৱায় য়াওজরম্বা ইরমদম ঙসিদি কোভিদ লাইচৎনা ঐখোয়দা লান্দারকপদগী লেপখিবা চহী ২ ফারক্কদৌরে। হরাউ কুম্মৈগী শিনফম তৌদুনা য়ূম পুজরম্বা আর্টিষ্ট কয়া হরাউ কুম্মৈ তৌবা লেপখিবদগী শেম্হোক লম্বী কক্খ্রে। লৈঙাক্কী থবক নৎত্রগা অতোপ্পা শিনফমসু পায়হৌদবা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং শেম্হোক লম্বী কক্খিবনা ৱারম্লগদবা মতম অসিদা লৈঙাক্কী নৎত্রগা অতোপ্পা কনাদগী মতেং ফংবগী পাউসু তাবা লৈতে। অসুক কুইরবা মতম অসি কনাগী মতেংসু লৌদনা অৱাবা মায়থোং উৎপা তৌদনা আর্টিষ্ট অমা ওইবগী ইকাই খুম্নবা ঙাক্না পূন্সি লেল্লি। ঙসিদি লম্বী-লমজাওদা হান্না উরম্বা আর্টিষ্টশিং উখিদবগা লোয়ননা মখোয়গী ওফিসশিং ছো লোন্দুনা লৈরকপা থাবুম মশীং য়ামশিল্লক্লে। অতোপ্পা শিনফম ওন্থোক্তুনা শেন্দান লম্বীসু তৌরমগদবা মান্দবা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংগী মখূৎতা শেল-থুম লৈজদ্রবসু ময়ূম-মকৈ, ফুরা-দলালনচিংবা শাজদ্রবসু অরৈবা খরদা পেন্থোক্না হিংজরিবা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। মসি চীং-লেম্বা আর্টিষ্টকী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙম্বা অতোপ্পা শিনফমগী মীওইনা ঙম্লোইদবা তোপ-তোপ্পা লীচৎ অমনি। মরম অদুনা কোভিদ লাইচৎ মনুং অসিদা লৈঙাক্না নৎত্রগা কনাগুম্বা পূকচেল চাওবা অমনা আর্টিষ্টশিংনা ৱারিঙৈ মতম অসিদা মতেং খরদা ওইরবসু পাংবীবা থোক্লবদি মসিদগী হেন্না চাওবা মহয় লৈত্রে হায়বা ৱাফম থমজনিংই।

❒ এল ইবোমচা, তাওথোং

### মণিপুরীশিংগী মরক্তা অমনা অমবু উশিৎ থওইনদবগী থবক নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি



মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক অমনা অমবু থওই উশিৎতবগী থৌওং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি অমদি পোলিটিকেল ৱর্করশিংসু সোসল মীদিয়াদা য়াম্না থীনা খৎনবা খক নৎতনা খূৎ থানবা ফাওবা য়াওনরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীগনু। ইমা পূনদ্রবসু ঐখোয় অমত্তনি। থকশি-খাশি হায়বসি মীওইবনা হিংবদা য়াম্না মরু ওই। অসুক্কী মতীক মরুওইখ্রবা থকশি-খাশি হায়বা ফজরবা শাজৎ থাদোক্তুনা হিংবা চুম্লোই। মরম অদুনা অথুবদা অসিগুম্বা ফত্তবগী হৈনবী অসি তোকমিন্ননবা ঐখোয় পূন্না হোৎমিন্নসি। ঐখোয়না ৱাখল তাদ্রবদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপগা লোয়ননা তুংগী মণিপুরগী ফীভমদা শকউদবা অচৌবা অকায়বা কয়া থোক্লকপা য়াই। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং অমদি মপান্দগী লাকপা মীওইশিং ওইরবসু অমনা অমবু ইকাই খুম্নবগী হৈনবী থমসি। অসুম্না তৌদ্রবদি নোংম-নোংমগী লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈজরম্বা ফজরবা চৎনবী কয়া তপ্না-তপ্না মাঙখিদুনা মশাগী আইদেন্টিটি লৈতবা লমদম অমা হায়বদু ওইখিবা য়াই। রিক্সো দ্রাইভর নৎত্রগা অচৌবা ফম পায়বা মীওই অমগী মরক্তসু চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা ইকাই খুম্নবা মথৌ তাই। শিনফম খূদিংমক পীকপা চাওবা লৈতে। মাগী-মাগী শিনফম অদুদা ঐখোয় পূম্নমক্না ইকাই খুম্নফম থোকই। মরমদি মী অমনা তৌবা থবক অতোপ্পা মী অমনা তৌবা ঙম্লোই। মীপূম খূদিংমক অমনা অমগী পীকপা চাওবা খক নৎতনা তোঙান-তোঙানবা মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নরিবা মীওইবা ঙাক্তনি হায়বসি কাউফদে।

❒ নিংথৌজম রোনাল্ডো, হৈরোক পার্ট-২

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।০৮।২০২১ ইং, শগোলশেল,
অয়ুক্কী পুং ৭.২২ ফাওবা থৱানগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পানগনি।

**মেষ :** লৌশিং ফূদোকপা ঙম্বনা চিংনগনু য়েৎনবদা মায়থীবা লৈররোই, থিজিনবগী কান্নবা ফংগনি অমদি মরুপ অফবা ফংজগনি। নরল লৌথোক্লিংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ :** মীয়ামগা লৈনবা মরী ফগৎপা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি নচা-ননাই ফংজবগী নুংঙাইবা নুমীৎনি। হুরানবা লোয়নবা হৈয়ু, অরোন-অথুপ হায়দোক্নু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন :** নীংবা মপা চাই, পূক্নিং পেন্না অনৌবা থবক পাংবা ঙমগনি অমদি কান্নজগনি। ইচং থৌবা অমদি অশাওবা ফূদোকপগীসু ওইজ-ওইথক ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট :** পোরম য়াৎপা, ঙাংবা-শকপা, অরং-অরাক্কী থবক অমদি নক্নবা মীগা থৌপাংমিন্নবা মায় পাক্কনি। অদুবু শাওনবা অমদি য়েৎনবনা মাংজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ :** শেন্দোং তানবা থবক্তা ঙসিসু কান্নবা নুমীৎনি-খূৎচাও থাবা মতাং চাগনি। মীয়ামগী মতেং শোয়দনা ফংগনি অমদি পল্লম্বা থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা :** অনম তানগনু অমদি নাপল তৌগনু কান্নবা লৈরোই অমদি চাদিং হন্থগনি। নাইতোমদি ৱারেপ লৌগনু। লাইবক্তি ফগনি, মীচং হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা :** ইমুং-মনুং ৱাতান্নৌ, মতাং চাবদা থৌনা ফূদোকউ-কিগনু। অঙম্বনা চানবীগনি, মিংচৎ তানবা য়াগনি অদুবু হোয়া ফবা অমদি চরাংনরবদি মাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না পামশিনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃশ্চিক :** নঙগী ওইবা মী অমদি নুংশিবা মরুপ-মপাং ফংগনি-মখোয়গা লোয়নবা থবকসু কান্নগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইগনি, ঙাং-শকপদা তানিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**ধনু :** নীংবা থুংবতা নত্তনা অনৌবা থৌরম পাংবসু কান্নগনি। য়েক্নবা লাকশিনবা খরদি ঙম্লসু মীকোক থোংবদি ৱাগনি। অনৌবা মরুপ-মপাংদি ফংগনি-অফবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর :** মায় পাক্কনি, নীংবা থুংগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তারগা থৌপাংউ। খন্থরগা পাংবা থবক খূদিং মায় পাক্কনি। অদুবু ঙক কল্লদি অমদি ফিংলদি ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কুম্ভ :** মতম মাংনিংঙাই ওই-চরাংনগনু অমদি হোয়া ফগনু। অদুবু নচা-ননাই/অরং-অরাক অমদি তুংগী পোরম শিন লাংবদি হৈগনি। মিংচৎ লৈ-পাখৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুনা থৌয়াম পুগনু অমদি অরুবা খন্ন-নৈনবদা চেকশিল্লু। অনৌবা মরুপ-মপাং লোয়নবদি ফংগনি অমদি শেল-থুমসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com